মিজোরামদা অসাম রাইফলস, বি এস এফ, এন দি আর এফকী জৱানশিং য়াওনা অনৌবা কেস ২০ থেংনরে

আইজোল, জুলাই ২২ (এজেন্সি): হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা মিজোরামদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ২০ দিটেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী অপুনবা কেস ৩১৭ শুখ্রে। অনৌবা কেসশিং অদুদা অসাম রাইফলসকী ৬, বি এস এফকী ২ য়াওই হায়রি।

ষ্টেট ইনফোমের্সন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স দিপার্টমেন্টকী মতুং ইন্না অনৌবা কেসশিং অদুগী মনুংদা কেস ১৮ জোরাম মেদিকেল কোলেজ (জেদ এম সী)দা লৈবাকপোকপগী অহিংদা কনফার্ম তৌখি অমসুং অতৈ অনীদুনা লুংলৈ সিভিল হোস্পিটালদা কনফার্ম তৌখি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সেম্পল ৩০৬ টেষ্ট তৌখিবদা আইজোল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১৮ অমসুং সাউথ মিজোরামগী লুংলৈ দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ২ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি। অসাম রাইফলস অমসুং বি এস এফ জৱানশিংদা নত্তনা নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ)কী জৱান ১ অমসুং সিভিলিয়ন ১ সু পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি। অসাম রাইফল পর্সনেল ১৬ কী মনুংদা ১৩ দি অসামদগী হল্লকখিবশিংনি, ২না দিল্লিদগীনি, অমনা লোকেল মীওইনি। পোজিটিভ ওইবা পর্সনেলশিং অদু কেপিটেল আইজোলগা নক্লবা জোখাওশাংদা ক্বারন্টিন তৌখ্রে। বি এস এফ জৱান ২ অদুদি উত্তর প্রদেশ অমসুং উতরাখন্দদগী লাকখিবশিংনি, এন দি আর এফকী জৱান অমসুং সিভিলিয়ন অদুনা অসামদগীনি হায়রি।

চহী ২৩-৫৯গী গ্রুপতা চনবা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন লৈরবা মীওইশিং অদু হৌজিক খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

মিজোরামদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী এক্তিভ কেস ১৪৯ লৈ অমসুং পেসেন্ট ১৬৮ লায়েংবদা ফরে। হেল্থ ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না ষ্টেট অসিদা কোভিদ পেসেন্টশিং অনাবা ফরকপগী চাং চাদা ৫৩নি। অপুনবা কেস ৩১৭কী মনুংদা ১৯৯ না মীচমশিংনি অমসুং ১১৮না পেরামিলিটরি ফোর্সেসকী পর্সনেলশিংনি। এক্তিভ পেসেন্ট ১৪৯গী মনুংদা পেরামিলিটরি ফোর্সেসকীনা চাদা ৭৯.১৯ নি।

জেলদা কোভিদ-১৯ প্রোতোকোল থুগায়বগা মরী লৈননা এ ঐচ আর সীনা রিপোর্ট কৌখ্রে

গুৱাহাতি, জুলাই ২২ (এজেন্সি): গুৱাহাতি সেন্ট্রেল জেলদা কোভিদ-১৯গী প্রোতোকোল থুংগায়বগা মরী লৈননা চহী অসিগী ওগষ্ট ৫ ফাওবগী মনুংদা রিপোর্ট অমা থাগৎলক্নবা অসাম হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এ ঐচ আর সী)না অসাম গভর্নমেন্টতা খঙহনখ্রে।

জেল অদুদা কোভিদ-১৯গী প্রোতোকোল থুগায়বা অমদি তঙাইফদবা হেল্থক্যের ফিসিলিটিশিং ফংহন্দবগী মতাংদা ওপোজিসন লিদর দেবব্রত্তা সাইকিয়ানা থাগৎলকখিবা কমপ্লেন্ট অদুদা রাইটস পেনেল অসিনা ষ্টেটকী চীফ সেক্রেটরি অমসুং আই জি (প্রিজন্স)তা রিপোর্ট সবমিট তৌরক্নবা খঙহনখি।

গুৱাহাতিগী সেন্ট্রেল জেলগী ফিভম মীপাইনিংঙাই ওই। জেলগী ইনমেটগীদমক্তা কোভিদ-১৯ টেষ্ট নীংথিনা পাঙথোক্তে। পোজিটিভ পেসেন্টশিংবুনা লায়েংবিদে হায়বনচিংবা সাইকিয়াগী কমপ্লেন্ট অদুদা পল্লিবা ৱাফমশিং অদুদা এ ঐচ আর সীনা ওথোরিটিশিংগী পুক্লিং চিংশিনখি।

চেরপর্সন জষ্টিস টি ৱাইফৈ অমসুং মেম্বরশিং নবকমল বোরা অমসুং দেব কুমার সাইকিয়া য়াওরিবা পেনেল অদুনা চীফ সেক্রেটরি অমসুং আই জি (প্রিজন্স) অনীমক্তা মখোয়গী রিপোর্ট অদুদা ওপোজিসন লিদরনা জুলাই ৯ দা তৌরকখিবা কমপ্লেন্ট অদুগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবদা মখোয়না করি করি এক্সন লৌখৎলবগে হায়বদু মরিক চুম্না পল্লক্নবা খঙহনখি।

ৱাফম অসিগী মতাংদা ইনক্বাইরি চথনবা, প্রিজনরশিংবু নীংথিনা লায়েংবিনবা অমসুং পোলিটিকেল প্রিজনরশিং য়াওনা অন্দরট্রাইয়ল প্রিজনরশিং থাদোক্নবা দিমান্দ তৌরদুনা অসামগী চীফ সেক্রেটরি, হোম এন্দ পোলিটিকেল দিপার্টমেন্টকী কম্মিসনর অমসুং আই জি প্রিজন্সতা জুলাই ৯ দা অইবা চেরোলগী কোপিশিং পীদুনা ৱাকৎখ্রবনি হায়না সাইকিয়ানা কমপ্লেন্ট অদুদা পনখি। অসুম্না ৱাকৎলবা ফাওবদা ৱাফম অসিগী মতাংদা ওথোরিটিশিংনা এক্সন অমত্তা লৌখৎলকপা লৈতে অমদি জেল মনুংগী ফিভমশিং নোংম-নোংমগী শোকচিল্লক্লি হায়না সাইকিয়ানা ফোঙদোকখি।

হেল্থ ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা লুপা ক্রোর ৭৫ থাদরগনি

শিল্লোং, জুলাই ২২ (এজেন্সি) : মেঘালয়াগী সী ঐচ সী অমসুং পি ঐচ সী ১৮৬ কী ইনফ্রাষ্ট্রকচর অপগ্রেদ তৌনবা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা লুপা ক্রোর ৭৫ ইনভেষ্ট তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা চীফ মিনিষ্টর কোনরেদ কে সংমানা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ৱারেপ অদু লৌখিবনি। মীফম অদুদা হেল্থ মিনিষ্টর এ এল হেক অমদি হেল্থ দিপার্টমেন্ট অমসুং প্লান্নিং দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা মে ২২ দা পাঙথোকখিবা ষ্টেট এসেম্বলি ইলেক্সনদা চীফ মিনিষ্টরনা হেল্থকী ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহনবা হায়বসি ষ্টেট গভর্নমেন্টকী প্রাইওরিটি অমনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

কোভিদ-১৯ পান্দেমিক্কা পীরিবা শীংনবশিং লাকহৎনবগী খোঙথাংশিংসু লৌখৎলগনি হায়না মহাক্না সেসন অদুদা ফোঙদোকখি। ত্বিট অমদা চীফ মিনিষ্টরনা হৌজিক্কী কোভিদ-১৯গী ফিভমগা মরী লৈননা হেল্থ ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎনবা থৌরাং লৌখৎলে হায়না পনখি।

কোভিদ পোজিটিভ ওইবী ১ অঙাং উনখ্রে

ইটানগর, জুলাই ২২ (এজেন্সি) : মশাগী চহী ৩২ শুরবী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবী মীরোলবী নুপী অমা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অরুনাচল প্রদেশকী মেদিকেল কোলেজ অমদা অঙাং নুপা অমা উনখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

গাইনিকোলোজিষ্টশিং অমসুং সজ'নশিং য়াওবা দোক্তরশিংগী টিম অমনা তোমো-রিবা ইন্সটিট্যুট ওফ হেল্থ এন্দ মেদিকেল সাইন্সেস (ট্রিহমস)তা মীরেনবী নুপী অদুদা সিজরিয়ন সেক্সন পাঙথোকখি। মহাক মমাংদা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন লৈখ্রবনি। ট্রিহমসকী দেপ্যুটি চীফ মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট তো কাকিনা মমা অমদি অঙাং অনীমক মশা-মউ ফনা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

মমা অদু কোভিদ-১৯ পেসেন্ট অমা ওইবনা ঐখোয়না অঙাং অদু মখা তানা মমাগা লৈমিনহনগদ্রা নৎত্রগা লৈমিনহল্লোইদ্রা হায়বগী মতাংদা য়াম্না থুনা ৱারেপ লৌরগনি হায়না কাকিনা মিদিয়াদা ফোঙদোকখি। নুপীদু হান্না রামা কৃষ্ণ মিসন হোস্পিটালদা এদমিট তৌরম্বদগী টিহমসতা হোংখিবনি।

ষ্টেটকী পাউ

হৱাই থরাক মখায়াৎ মুবী পুথোকপদা নেসনল এৱার্দ ফংখ্রবা ঙৌবনা কেপসিকম অমদি স্কোশ পুথোক্লবা হোৎনরি

বিজয় লাইশ্রম

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): লমদম অসিদা তোঙান-তোঙানবা মহৈ-মরোংশিং থাবদা নত্তনা হৱাই থরাক মখয়াৎ মুবী থাদুনা পুথোকপদা নেসনল এৱার্দ ফংখ্রবা ঙৌবনা মীয়াম্না পাম্না চানরিবা কেপসিকম অমদি স্কোশ পুথোক্লবসু হোৎনরি হায়না পুখ্রম্বম ঙৌবনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

লৌ উবা মতমদা লৌ উরগা লৌ লোকপা লোইখ্রবা মতুংদনা নিংথমগী মহৈ-মরোং অমদি মতম-মতমগী মনা-মশিং থাদুনা নোংমদা মীওইবনা মথৌ তাবা পোৎলমশিং পুথোক্লিবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খুন্দ্রাকপম এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা লম্বোই খুন অৱাং লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা পুখ্রম্বম কহ্নাই অমদি পুখ্রম্বম ওংবী তবাবীগী মচানুপা মরি, মচানুপী অনী পূন্না মচা তরুক্কী মনুংদা ঙৌবনা মরিশুবনি। মহাক ক্লাস আইট ফাওবদং তম্লগা মখা তানা লাইরিক তমখিদ্রে। মদুগী মহুত্তা য়ূমগী মতেং পাংদুনা লৌ উদুনা অমদি মতম-মতমগী মহৈ-মরোং অমদি মনা-মশিং থাদুনা থবক তৌবা হৌরকখি।

মহাক কুমজা ২০০০দা অহানবা ওইনা লৌ শঙম অমগা লৌখাইরোমগী এরিয়াদা কোবী ফুল পাম্বী থাদুনা লুপা লিশীং ৪০ রোম ফংবা ঙমখি। মদুগী মতুংদা মহাক্না টরবুজ অমুক, ফৌ অমুক থাদুনা মিক্স ক্রোপ তৌদুনা পোথোক পুথোক্লবা কন্না হোৎনখি। অদুবু লৌমীশিংনা ৱানা হোৎনজখিবগী মহয় অদু খরদি অদুম ফংবা ঙমখি। লৌমীশিংনা পোথোক পুথোক্লিবা অসি মরু ওইনা ইরিগেসনগী মপান য়াম্না তাংই। অদুবু খুল অসিগী ওইনদি খামেনলোক কেনেলদগী ঈশিং খরা খরা ফংবদগীনি। অদুবু চহী অমগী মার্চ অমদি এপ্রিল থা অসি খামেনলোক কেনেল অসি ঈশিং তৎপদগী লৌমীশিংনা অৱাবা খরদি মায়োক্নরি।

মহাক্কী ফার্ম অসিদা তিলহৌ অচৌবা, কোবী লৈ, কোবী লৈ অশংবা, হৱাই থরাক মখয়াৎ মুবী অমদি হঙ্গাম্নচিংবা থাই। চৎলিবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা কেপসিকম লৌসেল অহুমদা পাম্বী ৫৩,০০০ রোম থাদুনা এপ্রিল থাদা লোকখি। মসিদা মীয়ামগী দিমান্দ য়াম্না লৈখি। অহানবদা কেজি অমদা লুপা ১২০ য়োল্লম্মী। মমৈথংদা মমল খরা তারগা কেজি অমদা লুপা ৬০ নৎত্রগা ৭০দা অমুক য়োনখি। হায়রিবা পাম্বী অসি গ্রীন হাউস মনুংদা থারগদি চহী অমরোম চৎপগা লোয়ননা মহৈসু পাল্লি হায়রি।

ঙৌবনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা হৌজিক গ্রীন হাওস মনুংদা উমোরোক পাম্বী ১০০ রোম থাদুনা ফিট মঙারোম ৱাংলগা ফজনা পাল্লি। অদুগা পোলিথিন খাওদা তোঙান্না উমোরোক পাম্বী ১০০ রোম থাবা অদুসু ফজনা পাল্লি। উমোরোক পাম্বীশিং মতম চানা ঈশিং পীবা মথৌ তাই। হান্নদি উমোরোক কেজি অমদা লুপা ৭০০তা য়োল্লম্মী। অদুবু হৌজিক্লা খরা মমল হন্থরগা কেজি অমদা লুপা ৫০০দা য়োল্লি। উমোরোক পাম্বী অসি চহী অনী ফাওবদি নিংথিনা হিংবগা লোয়ননা ফজনা পানবসু ঙম্মী।

হন্দক চহীগী লৌ লোকপা হেক লোইবগা লৌ শঙম অমগা লৌখায়দা কেপসিকম অমদি স্কোশ থানবা থৌরাং তৌরি। মহাক্না পায়খৎলিবা থবকশিং অসি মাগী লোয়নবী থিংবাইজম নিংঙোল পুখ্রম্বম ওংবী জোনীগা পূন্না খূৎশম্নরগা পায়খৎপনি। মহাক চৎলিবা কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী ২০দা মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মর ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচর, কোওপরেসন এন্দ ফার্মরস ৱেলফ্যেরনা বেঙ্গলোরদা হৱাই থরাক মখয়াৎ মুবী পুথোকপগীদমক লুপা লাখ অমগা সাইটেসন য়াওবা এৱার্দ ফংখ্রে। মহাক হৌজিক য়ূমদা ভর্মিকম্পোষ্ট হারসু শেমদুনা মীয়ামদা ফংহল্লি। হৌজিক ফাওবদা মহাক লৈঙাক্তগী মতেং অমত্তা ফংদ্রি। পোথোক পুথোক্লিবা মীওইশিংবু লৈঙাক্কী মীৎয়েং খরা চিংশিনবা পাম্মী হায়নসু ফোঙদোরকখি।

অথিংবা থল্লে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী লোকদাউন মনুংদা শেল শান্দোকপা, মাইক্রো ফাইনান্স তৌরিবশিংনা শেন্দোই লৌবা অথিংবা থল্লে হায়না ক্যামগৈ য়ুথ পাইওনিয়র ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরী লাইশ্রম রোবেননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অসিনা হায়, কোভিদ-১৯গী ৱানরিঙৈ মতম অসিদা শেন্দোই লৌবনচিংবা অথিংবা থল্লে। করিগুম্বা লোন্না থবক তৌবা লৈরম্লবদি লোগী ওইবা চৈরাক পীনবা ক্লব অসিনা থবক পায়খৎপা হৌরগনি। লোকদাউন চথরিবমখৈ অথিংবা অসি ঙাক্না চৎপীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

'ইমালোনগী ঈহৌদা মপুং ফানা শৌগৎলি'

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): অসাম মণিপুরীশিংনা চঙশিল্লিবা ইমালোলগী ঈহৌদা মপুং ফানা শৌগৎলি হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)গী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরী লুনপাউ লুফেংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরী লোল অসামগী ওফিসল এসোসিয়েট লেংগ্বেজ ওইফম থোকই। অৱাং-নোংপোক অমদি অতৈ মপান লমদা খুন্দাখ্রবা মণিপুরী ঈরৈচাশিং ঙসিসু হীরম কয়াদা শোথরি। মখোয়গী রাইট পাল্লিবা লৈঙাকশিংদুনা ঙসি ফাওবা চপ চানা পীদনা লাক্লি। ঙসিসু অসামদা খুন্দারিবা মণিপুরিশিংনা মমালোল ওইবা ঈরৈচাশিং অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চনখ্রবা মণিপুরী লোলগী মরাইবক তম্বা ঙমদে। অসাম লৈঙাক্কী থবক অমা চংবদা মণিপুরী লোলবু শকখঙবীদবনা মরম ওইরগা অসাম মণিপুরীশিংগী রাইট খোঙ্গোইনরি।

হৌখিবা চহী কয়াদা অসাম মণিপুরী মীয়াম্না কন্না হোৎনবদগী কুমজা ১৯৫৬তগী হৌনা অসামগী লাৱার প্রাইমরি স্কুলশিংদা মণিপুরী লোল তম্বা হৌরকখি। কুমজা ১৯৬৩দগী হৌনা ইংলিস স্কুলশিংদা তম্বা হৌরকখি। কুমজা ১৯৭৬তগী হায় স্কুলগী থাক ফাওবা তম্বা হৌরকখিবনি। কুমজা ১৯৭৯দা ইমালোলদা ইহান হান্না ঐচ এস এল সী এগজাম থাবা হৌরক্তুনা ঙসিদি মাষ্টরগী লেভেল ফাওবা য়ৌরক্তুনা পি ঐচ দি ইমালোলদা তৌবা য়াওরে। অসুক ৱানা পুখৎলক্লিবা ইমালোল অসি তমজরিবা মহৈরোয়শিং অসামগী সিভিল সার্ভিস এপ্লাই তৌবদা তঙাইফদনা অসাম লোল, বেঙ্গোলি নত্রগা বোদো অমা হেক্তা ক্বালিফাই ওইদ্রবদি য়ারোই হায়না অলটরনেটিভ লোল অমত্তা হাপত্রি। কুমজা ২০১৯দা থোকখিবা অসাম পব্লিক সর্ভিস কম্মিসনগী এমেন্দমেন্ট রুলসু লৈরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

নিংথৌখোঙদা উ চারা কয়া থাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): বনমহোটসোবকা মরী লৈননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ক্লব ওর্গনাইজেসন কয়া, এম পি এ এল, য়ু সী ও বি আই দি, এ এম য়ু সী ও অমদি এ এম এম য়ু সীগী মখাদা লৈবা লৌমী-শিন্মী অপুনবা লুপ বিষ্ণুপুরনা খুৎশম্নদুনা উ চারা থাবগী থৌরম অমা ঙসি নিংথৌখোঙদা পাঙথোকখ্রে। নিংথৌখোঙগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা উ চারা থাখি। নিংথৌখোঙ বজার পব্লিক পার্ককী অকোয়বা মফমশিং, ইবুধৌ ওক্নরেল টেম্পল, গোবিনাথ মন্দির, রাধা মান্দোবনচিংবা মফম কয়াদা উ থাখি।

এ এম এস এস টি এগী পি আই এলদা হায়কোর্টনা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা ৱাকৎনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২, (ঐচএনএস) : ওল মণিপুর স্কুল ষ্টুদেন্টস' ট্রান্সপোর্টর এসোসিএসন (এ এম এস এস টি এ) গী প্রসিদেন্ট, ট্রেজরর অমসুং এগজিক্যুটিভ মেম্বর অমগনা পূন্না ফাইল তৌরকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা হায়কোর্টনা খন্নরগা পিটিস্নরশিংদা মখোয়গী ৱাকৎ অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা ক্লেইম নৎত্রগা রিক্বেষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখ্রে।

পি আই এল অসিদা পিটিস্নর ওইরিবশিংনা এসোসিএসন (রেজিষ্টর নম্বর - ৫২৭/এস/এস আর/২০২০) অসিগী প্রসিদেন্ট মাইবম কেনেদি (৪৬) অপোকপা এম ভাগ্যচন্দ্র, লাইফম খুনৌ ময়ায় লৈকায়, ট্রেজরর মাইবম প্রফুল্লো (৫২), অপোকপা নবদ্বিপ, কৈশামথোং থাংজম লৈকায় অমসুং এগজিক্যুটিভ মেম্বর লাইরেঞ্জম সঞ্জিৎকুমার (৪৪), অপোকপা এল প্রিয়োকুমার, শগোলবন্দ তেরা লুক্রাম লৈরকনি।

অদুগা, পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরি, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (ফাইনান্স), কম্মিস্নর, এদ্যুকেসন (স্কুলস) অমসুং লোইশঙসিগী দিরেক্টরনি।

পিটিস্নরশিংনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক মায়োক্নবগীদমক সেন্টর অমসুং ষ্টেট ওথোরিটিশিংনা লোকদাউন থমজিল্লকপদগী স্কুল ভেন দ্রাইভর/ট্রান্সপোর্টরশিংনা মহৈরোয়শিং পুবা লেপখ্রে। মসিনা মরম ওইরদুনা ভেন দ্রাইভরশিং/ট্রান্সপোর্টরশিংগী নুংতিগী হিংবদা চঙলিবা পোৎলমশিং য়াওনা হীদাকলাংথকশিং লৈননবা হোৎনবদা অৱাবশিং মায়োক্নরে। মসিগী মতাংদা চৎলিবা থাসিগী ১দা চীফ মিনিষ্টর অমসুং এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদসু অইবা চেরোলশিং পীশিন্দুনা স্কুল ভেন দ্রাইভর/ট্রান্সপোর্টরশিং অসিগী মতেং খরদং ওইরবসু ওইননবা লোন নৎত্রগা গ্রান্টশিং পীবিনবা হায়জখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা চথরক্লিবা লোকদাউন অসিগা মরী লৈননা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরস (এম ঐচ এ) গী সেক্রেটরিনা মার্চ ২৪, ২০২০দা থোকখিবা ওর্দর অমসুং দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট, ২০০৫গী সেক্সন ১৩না পীবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না মখোয়দা ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্স পীবিয়ু হায়জখি।

পি আই এল অসি চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী দিভিজন বেঞ্চনা থাসিগী ২০দা লৌখৎতুনা খন্নখ্রে। কোর্টনা পিটিসন অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা এদভোকেট কে মোধুসুদোননা লেপখি। অদুগা রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা এদভোকেট জেনরল নাওরেম কুমারজিৎনা লেপখি। লোয়ননা এ জিগী মায়কৈদগী পি আই এল অসিগী মেন্টেনেবিলিটিগী মতাংদা কোর্টতা প্রিলিমিনরি ওবজেক্সনশিং তৌখি।

অদুম ওইনমক কোর্টনা নাকল অনীগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা পিটিস্নরশিংদা মখোয়গী ক্লেইম নৎত্রগা রিক্বেষ্টশিং মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা তৌনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা মসিবু ওথোরিটিশিংনসু মেরিটতা য়েংলগা খন্ননবা দিরেক্সন পীখি।

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL

ADMISSION NOTICE/45
Date:20th July, 2020

No MU/3-CESD/B.Voc/Admn/2020/01: Applications are invited for admission into the following Courses for the academic session 2020-21.

(i) B.Voc. in Tourism and Hospitality Management
(ii) B.Voc. in Retail Management and Foreign Trade
(iii) Post Graduate Diploma in Entrepreneurship and Foreign Trade (PGDEFT)

Eligibility:

Sl.No.	Course	Criteria
1	B.Voc. in (i)Tourism and Hospitality Management (ii) Retail Management and Foreign Trade	Acandidate who passed 10+2 examination in any stream from a recognized Board/Council/University is eligible to apply for admission into the course.
2	PG Diploma in Entrepreneurship and Foreign Trade (PGDEFT)	A Graduate in any stream from a recognized Board/Council/University is eligible to apply for admission into the course.

Application forms and the Prospectus with detailed information will be available from the University website (http://www.manipuruniv.ac.in)w.e.f. 23rd July, 2020.

Applications can be submitted through online only at the Manipur University Official Website on payment of Rupees 300/- (Three Hundred only) and Rupees 200/-(in case of ST/SC). The payment of the amount shall be done through online mode only in the designated account of the University.

Important Dates:

		B.Voc.	PGDEFT
1.	Admission form Submission (Online)	23 July 2020	23 July 2020
2.	Last date of form submission	20 August, 2020	30 August, 2020
3.	Date of Admission Test (Tentative)	29 August, 2020	11 September, 2020

N.B:
(i) Candidates desirous of applying for more than one course should submit applications separately.
(ii) Written test, Personal interview and counseling session for admission into the course shall be held in the CESD, MU on the date mentioned above subject to the condition that the Covid-19 outbreak in the state improves to conduct the test.

Sd/- Prof. W.C. Singh
Registrar, MU

HL-B/6287/23

CROSSWORD-3510



ACROSS

1 Mediterranean island (6)
4 Climbed (6)
8 Foreign (5)
9 Leading (anag) (7)
10 Unruly (7)
11 Offspring (5)
12 Rising (7,2)
17 Situation (5)
19 Skilled worker (7)
21 Put on display (7)
22 Item of playground equipment (5)
23 Small basket for fruit (6)
24 Vanquish (6)

DOWN

1 Paper fastener (6)
2 Chat (7)
3 Jousting weapon (5)
5 Upper limit (7)
6 Connections (5)
7 Evaded (6)
9 Attacker (9)
13 Quiver (7)
14 Leisure activity (7)
15 Maintenance (6)
16 Chess piece (6)
18 Drained of colour (5)
20 Flavour (5)

Solution 3509

C	A	T	S	■	P	R	O	G	R	E	S	S
R	■	R	■	C	■	E	■	R	■	X	■	O
U	N	I	F	O	R	M	■	A	S	H	E	S
M	■	L	■	T	■	A	■	S	■	A	■	O
P	I	L	O	T	■	R	I	P	P	L	E	■
E	■	■	■	O	■	K	■	■	■	E	■	E
T	Y	R	A	N	T	■	T	A	N	D	E	M
S	■	E	■	■	■	N	■	L	■	■	■	P
■	S	T	E	R	E	O	■	K	A	B	U	L
P	■	I	■	A	■	R	■	A	■	R	■	O
R	U	N	U	P	■	W	A	L	L	A	B	Y
O	■	U	■	I	■	A	■	I	■	V	■	E
W	E	E	K	D	A	Y	S	■	M	E	A	D

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3309

5	1	3					4	
		8		7			5	3
					2		8	
				9		5		
			2	3	4			
		7		8				
	7		8					
3	5			2		1		
	6					4	9	5

Solution-3308

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers

3	2	1	8	9	7	6	5	4
9	5	6	4	3	2	1	7	8
7	8	4	1	6	5	9	3	2
8	1	9	2	5	3	7	4	6
5	4	3	7	1	6	2	8	9
2	6	7	9	8	4	5	1	3
4	9	5	3	2	1	8	6	7
6	3	2	5	7	8	4	9	1
1	7	8	6	4	9	3	2	5


কৈনু
হোই ইমা ঙসিদি কৈ ওইনা ফারক্লে।
অসুম্না অফং-অফংবা ফাদুনা চাদুনা মমা-মচা হিংলম্মী।
নোঙাল্লুদুনা ঙমতাবা থৌগললম্মী।

ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম